# জাতক্কী শৈরোল

মৈতৈলোন্দা ইথোকপা : বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মা

## অপঙপা ক্বাকয়াম



ব্রহ্মদত্তনা পাল্লিঙৈ বরানসী সহরদা,
পোকখি বোধিসত্বদো ঈশিং-লাইগী মপোক্তা।
নোংমা ক্বাক মতৈ-মনাউ'মা সমুদ্রদা লাক্লম্মী।
অৱাংবদা পাইদুনা কোয়ন-লয়না য়েংলম্মী।
নাগ নিংথৌদা কৎপা চাক, শা, ঙা অথোংবা,
শঙ্গোমক্ষীর কয়া'মা উখি তোর্ব্বান্দা পৈরম্বা।
ক্বাক অনী পাইথরক' মবূক থন্না থক-চাখি;
ৱাংহল য়ুবু থক্লুবা অনী থীনা ঙাওরকখি।
ৱাখল নুংঙাইরক্তুনা সমুদ্রদা ঈরোইখি;
মপান্দা 'সুম লোইরমদ'ই অমোম অদু লাপথোকখি।
ইপোম অমা লাক্তুনা পুখ্রে থাপ্লা অমোমদো,
ঙাজাউ অমা তাউখৎলক' পূম্না য়োৎখ্রে মহাক্তো।
"ও! ঐগী নুপী শিরেদো!" ক্বাক লাবা তেংথাখি;
মাগী তেংথা তাদবা ক্বাক ময়াম পাইরকখি।
"করি তৌরে?" হংবদা মরম পূম্বা তমখরে;
অদুক য়াম্বা ক্বাকশিংদো তেংথা-নাওইনখরে।
ঙাইহাক কপ্নরুরগা,— "সমুদ্রসি থক্লসি;
মসিনবু কংলবা ফংনি 'বেস্মা, থিরসি।"
অসুম তৌনা মখোয়না থক্লকপবু ঈশিংদো,
খৌনাও অদু নারক্লে থকচিনবদা থুমহীদো
মচিন ময়া পোমখৎলে মমীৎ ঈবু চঙলক্লে;
ঙাইহাক লেপ্তু, শূবদা মখোয় পূম্বা ৱারক্লে।
কংবা নাইদে সমুদ্র ঈপাক মহাসাগরনি;
কান্নদরে খন্দুনা হোৎন 'পূম্বা তোকপনি;
সমুদ্র শীৎপা তোক্লগা থাগৎনখি 'বেস্ববু;
"ফজ'নিদা ইবেস্মা নশক লাইমবু!
মচীন, মমীৎ, কুচু-কুমেন, অমত্তবু ৱাত্তেদো;
শাবান-নুংবান খোঞ্জেল-খোন্থোক য়েংঙু-য়েংঙু নোপ্তেদো।
অদুনবু ঈশিং-লাইনা পাম্মন্দুনা হুখ্র'নি!"
ওইদববু ঙাঙবা ঈশিং লাইদো শাউবনি।
ঈথক-ইপোম ঈহৌহন' অঙকপবু থোকহনখি;
সব্দ অকি 'উত্তুনা ক্বাকয়াম অদু তানখায়খি। ○

# মণিপুরী পাউরৌ

লোইতোংবম বীরজিতা দেবী

## মী অপঙবা লাল্লোইনৈ, উ অকংবা শীঙওইনৈ

অপঙবা মীওইশিং অসিদি লাল্লোইনৈ হায়বদি মানা পঙবদগী লান নংই হায়বনি। অকংবা উদি শীঙ ওইনৈ। শীঙ ওইনবদগী হেন্না করিসু চন্নদে। পাউরৌসিনা তাক্লিবদি থবকসু ৱানা তৌবা মথোঙ মরম খঙনদি তৌদবা মীৱা তাফমদতা লৈবা, তৌরুরিবা থবক্তুদি শকখঙবিদবা ৱাবসু ৱাবা থবক্তুগী কান্নবসু ফংদবা মীওইশিংদা পাউরৌসি হায়নৈ।।

— — –

## মৈবু ফিনা কুপ্তুনা থম্বা য়াদে

মৈ হায়বসি ফিনা কুপ্তুনা থম্বা য়াবা নত্তে। মৈদুবু উদনবা হায়দুনা ফিনা কুপশিন্দুনা থম্লুরবদি কুপ্লিবা ফিদু চাকথেক্তুনা মাঙহল্লি। পাউরৌসিনা পীরিবদি খুন্নাইসিদা চৎনরিবা ফজরবা ৱাখল্লোন অদুদি ফত্তবা থবক অমা তৌবা হায়বসি ময়াম খঙহন্নিংদে। মরমদুনা কনাগুম্বা মীওই অমনা ফত্তবা থবক অমা তৌরুবা মতমদা কনাসু খঙদনবা হায়দুনা হোৎনৈ। অদুবু ফত্তবা থবক্কী ফলদি মীয়াম্না লাইনা হেক্তা খঙনরকই। মীয়াম্না খঙদনবগীদমক ফন কন্না হোৎনবদা অহৌবদা ময়াম খঙহন্দবা ঙম্লবসু অকোনবদদি থবক্তুনা খঙদবা শুকয়া য়ারক্তে। অদুগুম্বা ফীভম্বু পাউরৌ অসিনা প্রমান ওইনা ফোঙদোক্লি।।

— — —


## লম্বোইবদা শমজেৎ পীবা কান্নদে

লম্বোইবা হায়বসি সংসারগী মীওইবগী চৎনবী অসিদগী তোখায়না তারবনি। মঙোন্দদি কে-মৌবগী ৱাখল য়াওদ্রবনি। অদুগুম্বা মীশক অদুদা শমজেৎকী চন্নফম লৈতে। শমজেৎকী চন্নফম লৈতবা মঙোন্দা শমজেত্তু পীরুবগী করিসু কান্নবা লৈতে। অরেম্বদা শমজেৎকী চন্নফম খঙদনা মাঙদুনা লৈগনি। পাউরৌসিনা হায়নিংলিবা ৱাখল্লোন অদুদি কনাগুম্বা মীওই অমদা মাগী কান্নবনি খন দুনা মানদি শীজিন্নরোইদবা পোৎ পীরুবা কান্নদে, পীরুবা পোত্তু অমাঙবা ওইদুনা মমল য়াওদে। অদুগী মহুৎতা মীদুদা কান্নগদবা পোৎ ওইনা পীবনা ফৈ। মীদুদা চন্নরোইদবা পোৎতুদি পীদবনা হেন্না ফৈ হায়বদু পাউরৌসিনা তাকই।।

# অঙাংগী ৱারী

রঘু লৈশাংথেম

## তেঞ্জে অমসুং ঙা মমিৎ



লমহুইনা ঙা মমিত্তা তেন্না কাপ্পা

**কোনুংদা**

লমহুই মচা অমা উমং অমদগী নোংলৈ-নুংশিৎ তৌবা নুমিৎ অমদা কোনুংদা চেনশিল্লক্তুনা লৈররে। লমহুই মচা অদু নিংথৌদুনা লুনা চান্না তৌজৈ।

হৌজিক্তি লমহুই মচা অদু চাউরক্লে। নিংথৌ অদু মমিৎতা মচা অমতা উজদে। নিংথৌ অমসুং মহারানি অনীদুনা লমহুই অদুবু মখোয় অনীমক্লা হেক পোকচবা মচানি খন্দুনা য়োক্লমই। সনা কোনুং অমদা চৎনরিবা লমচৎ ব্যবহার পূম্নমক লমহুই অদুদা লোইনা তম্বীরে। অদুগীসু মথক্তা মীরোলসু খঙনবা তাকপী তম্বীরে। লৈবাক প্রজা করম্না লোয়নগদগে হায়বনচিংবা মথং মথং তম্বীদুনা চপ চাবা কোনুংগী নিংথৌ অমগী চৎনবী লোইনা খঙলে। অদুনা লমহুই অসি য়াম্না হৈ-শিংই।

লমহুই অদুনা নিংথৌ মহারানি অনীনা নিংথৌগী লৈঙাক্লোন, চৎনরোল পূম্নমক তাকপী-তম্বীরকপনি। লৈবাক্কী চৎনরোল, ধর্ম্ম-লাইনীং লৌদুনা লমহুই অসি লৈবাক অসিগী মতিক চাবা, চপ চানা হৈ-শিংবা অমা ওইরে। শা-লানগী খূৎশু-খূৎলাই, মহৈ-মশীল তম্বীরে। লমহুই অসিনা তম্লুবদা হৈতবা অমত্তা য়াওদে। তেন কাপ্লে মকোক থোংই। থাং হাইনরে, তা লংনরে লমহুই অসিনা মকোক হেক্তা মওই।

নোংমদি নিংথৌ মহারানি অনীনা মচা লমহুইবু ময়ূম-মকৈ পানবগী মতাঙ ওইরকপগী মরমদা খন্নরক্লে। অসুম্না খন্নরিঙৈ তাঞ্জাসিদা য়ূমথংনবা লৈবাক অমদা উথক্তা ঙা অহিংবা অমা য়ান্দুনা থম্লগা, ঙা মমিৎ অদুদা তেন্না কাপ্পদা মমিত্তা পানবা ঙম্বা মীশক্তুদা লৈবাক্তুগী রাজকুমারী অদু লুহোংবীগনি হায়বগী পাউ লাক্লে। মতম অসিদা মপা নিংথৌদা লমহুইনা হায়রকই-

- ইপা নিংথৌ, থংনবা দেশতা ঙা মমিত্তা তেঞ্জেনা পানবা ঙম্লবদি রাজকন্যা পীগনি হায়রিবসি নচা লাইবক য়েংজরুগে?

মপা নিংথৌনা মচা লমহুইগী অনিংবা অপাম্বদু পাঙথোকচরো হায়না বর পীরম্মী।

লৈবাক লৈবাক্কী নিংথৌ মচা কয়া কয়া তেন্না ঙা মমিত্তা কাপ্পদা পানবা ঙমদ্রদুনা নীংবা কায়না ময়ূম ময়ূমদা হন্নখ্রে। নিংথৌ মচাশিংনা মাগী মাগী লৈবাক্তা হন্নখ্রবা মতম অসিদা লমহুই মচা অদুদি দেশ অদুদা থুংলবতা মঙাইরি। মহাক্লা কোনুং মনুংদা চঙলক্লগা নিংথৌদা খুরুম্লগা হায়রকই-

- ইনিংথৌ! ঐহাক, থংনবা লৈবাক অসিগী নিংথৌগী অয়োকপা মচা, রাজকুমার লমহুইনি। ঐ ঙা মমিত্তা তেন্না কাপ্পগী লাইবক য়েংজগে লাকচবনি। ইনিংথৌনা চানবিদুনা ঐনা হায়জবসি য়াবিয়ু।

নিংথৌদুনা হায়রকই-

- চাউরা চাউরবা লৈবাক্কী নিংথৌমচা হৈ-শিংলবা শা-লান্দা মপা লৈত্রবা কয়া মায়থীদুনা হনখ্রবনি। অদুবু য়াম্না নোক্লিংবা অমদি মী অমা ফাওবনা পানবা ঙমদ্রবা ঙা মমিৎ অসি লমহুই নঙগুম্বনা করম্না পানগনি হায়বসিনি! ঐদি ঙক্তবা ঙমদে। নিংথৌগী অয়োকপা লমহুই নরায়বক য়েংজরো। নঙ শা ওইরবসু হৈ-শিংবা নথৌনা নরিংজেল অদু য়েংবা তারেদনা।

লমহুই অদুনা নিংথৌদা খুরুম্লগা হায়রকই-

- ইনিংথৌগী সনা য়াথং ফংজরবনিনা য়াম্না নুংঙাইজরে। ননাই তেন কাপ্নবা থৌরাং তৌজরে। ফাবদা ঙাইরিবা ঙা অমা য়ানখৎপীরো। ননাই লমহুই লায়বক চাং য়েংজরগে?

নিংথৌগী মনাইশিংনা ফাবদা ঙাইরিবা ঙা অমা উথক্তা য়ানখৎলম্মী। লোয়ননা কুম্মৈ য়েংবা লাক্লিবা লৈবাক অদুগী প্রজাশিংসু লমহুই অদুগী মতৌ উবদা "শা অসিনা তৌজশারিবসি" খন্দুনা নোকপা হৌরক্লম্মী।

অদুবু লৈবাক প্রজা মীয়াম্না নোকপা অদু লমহুই অদুনা করিসু নাচুংলমদে। শিংলবা লমহুইনা তেনগী লীরুং পায়খৎলে। তেঞ্জে অমা লীরুং অদুদা তেঙ্গা থোংলে। ঙাগী মমিৎ ফাওবা হন্না য়েংবিদনা তেন অদু কাপখ্রে। অঙকপনি, তেঞ্জে অদুনা ঙা অদুগী মমিৎ অনীদু ফাওদুনা পাল্লেদো।

কুম্মৈ য়েংলিবা প্রজা মীয়াম অদু নোক্লম্বদগী মায়থোঙ শৎ শৎ হনজিন্নখি। মতম অদুদা লমহুইনা হায়রকখি-

- ইনিংথৌ, ঙা মমিত্তা তেঞ্জেনা পাল্লবনিনা রাজকন্যা পুজখিবা য়ারগদ্রা?

নিংথৌ অদু মাগী য়াথং লৈখা তাবা য়াদবনিনা মচা নুপী রাজকন্যা অদু লমহুই অদুদা লুহোংবিরে।

অসুম তৌদুনা লমহুই অদু মরৈবাক্তা হল্লক্লে। ঙা মমিত্তা তেঞ্জেনা পান্দুনা রাজকন্যা পুরকপদুদা মপা নিংথৌ হরাওবনা ঙমখৈ লৈরমদে। মচাবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎলম্মী। মচা লমহুই কোল্লগা হায়রকখি-

- লৈবাক প্রজা পূম্নমক নিংথৌ ঐগী ইচা লমহুইসি হৈ-শিংলবা নিংথৌ মচা অমা ওইরবনি। লৈবাক অমগী রাজকন্যা অমবু ঙা অহিংবা অমা উতোন্দা য়াল্লগা ঙা মমিৎ অনীদু ফাওনা তেন্না কাপ্পা ঙম্বগী লৌরক্লিবনি। অদুনা ঐগী ইচা রাজকুমার লমহুই অসিদা নিংথৌ খুভম শিন্নরবনি।

লৈবাক প্রজা পূম্নমক নিংথৌগী ৱাহৈদুনা হরাওনা খুবাক খুরদুনা রাজকুমার লমহুইবু লৈ চাইখি। লমহুই মচাবু মখোয়গী নিংথৌ ওইনা লৌশিনখিরম্মী। ○

# নুপীনা খোংদ্রুম মাইরেন খায়খিদবগী ৱারী

ফুঙ্গা ৱারী

**থোকচোম থৌয়াঙবা**



**থায়না** মমাঙঙৈদা ঐখোয়গী লৈপাক অসিদা নমু তাইবঙ মীওইবনা খুন্দা লৈতাদুনা পান্দ্রিঙৈদা খোইয়ুম লাইয়ামশিংনা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরম্মী। অসুম্না খোইয়ুম লাইয়ামশিংনা মালেম অসিদা মাগী মাগী মশাইকোল লিংদুনা লৈনবা মতম অদুদা ঙসি ঐখোয়না অৱাং কৌব্রু হায়রগা খঙনরিবা চীংজাও অসিদসু কৌব্রু কৌবা লাই অমনা মাগী মশাইকোল ওইদুনা লৈরম্মী। কৌব্রু হায়রিবা লাই অসিগী তাল্লোয় অনী লৈরম্মী। তাল্লোয় অহল অদুগী মমিংনা করৌনু (কৌনু) কৌই। অদুগা অতোন্বী অদুগী মমিংনা লিক্লা লৈমা কৌই। লিক্লা লৈমা হায়রিবা কৌব্রুগী তালোয় অতোন্বী অসিগী মচা নুপা অমা ফংজরদুনা লিক্লা লৈমা মতম লৈবা খিবিক্তা মচাগা লোয়ননা শান্নদুনা য়াম্না হরাউ নুংঙাইনা লৈজরম্মী। মমা মচানা হরাউ নুংঙাইনা লৈমিন্নজবদু উরগা কৌব্রুনা অসুক্কী মতিক পেঞ্জখি। অসুম্না নুংঙাইনা পাল্লিঙৈ মতম অসিদা নোংমদি নোংপোক নিংথৌ কায়নৌ চিঙশোম্বনা মালেম তাইবঙপানবা অসিদা খোইয়ুম লাইগী মহুৎ-মরেং শিলহৌদুনা খুন্দা লৈতাদুনা য়ূম্লিং কৈরিংদুনা পালহৌবা য়াবা নমু তাইবঙ মীওইবগী কুম্মৈঅমা শান্নগনি। কুম্মৈঅসিবু য়েংনিংবা খোইয়ুম লাইশিংনা মতম চানা নোংপোক ঐগী ইকায়দা লেঙবীরকউ হায়না চাউরবা পুঙজাও অমবু পুংখোল হৌনা থীন্দুনা খোইয়ুম লাইয়ামশিংবু পাউজেল্লম্মী। মতম অদুদা পুঙখোল অসিবু তারিবা খোইয়ুম লাইয়াম খিবিক্লা নোংপোক নিংথৌগী মনাক্তা চত্তুনা নোংপোক নিংথৌনা উৎকদৌরিবা কুম্মৈঅদু য়েংননবা হোৎনরম্মী। মতম অদুদা কৌব্রু হায়রিবা খোইয়ুম লাই অসিসু মহাক্কী তালোয় অনী অদুগা নোংপোক নিংথৌগী কুম্মৈয়েংবা চৎলুসি হায়নরম্মী। মদুদা কৌব্রুগী নুপী অহল করৌনুনা মনাউনুপী লিক্লা লৈমগী মফমদা হায়রম্মী ইচেগী ইবেস্মা ঐখোয়সু খোঙলৈ খরা থুনা চৎনবা থৌরাংলসি নহাক্লা চাকখুমদা চঙদুনা চাক থোংদোকউরো ঙসিগী শংলৌ মথেন্দি ইচেম্না চাকখুমদা মাইরেল অমা থম্লম্বনি মদু ওইনা থোংলসি। নহাক্লা চাক থোংলিঙৈদা ইচেম্না ঐখোয়গী শেৎন-ইন্নবা চরৈ ফিরোল অহনবা খন্দোক খঞ্জিন তৌরুখিগে হায়দুনা মচেম্না মনাওগী মফমদা হায়রকই। মচেগী য়াথং মতুং ইন্না লিক্লা লৈমা চাকখুমদা চঙদুনা চাক থোংননবা মৈ হৌগৎতুনা চফু থাংগৎলগা চাক থোংবা হৌখ্রে অদুবু নোংপোক নিংথৌগী কুম্মৈয়েংবা চৎনিংবগী ময়ায়না মখূৎতা চৈ মচা অমা পায়রগা মমিৎ উইশিন্দুনা নোংপোক নিংথৌনা য়ৈরিবা পুঙখোল তান্থাগা চাননা মহাক্লা চাক থোংননবা মৈথক্তা থাংগৎলিবা চফু মপান অদুদা কাক, কাক য়ৈদুনা লৈরে। অসুম্না মমিৎ চেজেৎ উইশিন্দুনা চফু মপান্দা তান থাদুনা লৈরিঙৈদা লিক্লা লৈমদি চেঙ শুগনি, এঞ্জাং শেমগনি কাউথোকখ্রে।

অসুম্না মনাওনুপীনা চাকখুমদা তান থাদুনা লৈরিঙৈদা মচে করৌনুদি মহাক্কী মথৌ লোইরদুনা চাক লোইরবরা য়েংঙুগে হায়দুনা চাকখুমদা চঙলকই। মতম অদুদা মনাও নুপীনা তৌরম্লিবা ফীভম অদু উবদা মচেনা মনাওগী মফমদা হায়রকই করিনো ইবেস্মা নঙনা তৌরিবসিদি চেঙ শুবা, এঞ্জাং শেম্বা হেক কাউবমখৈ চফু মপান্দা তান থাদুনা লৈরবোইরে। লোইশিল্লোনে চৎননবা তৌরসি থেঙখ্রনিনে হায়রকখি। মতম অদুদা মনাওনা ইহে ঐনা তৌরিবা অসিদি করিনো শোয়রেদনা ঐদি চৎনিংবগী ময়ায়না লোইনা ইকাউ কাউরুরেদনা ফনি ফনি ইচেমহল ননাও লোইশিঞ্জরগে হায়দুনা মনাক্তা লৈবা থাঙ অমা তাপ পায়খৎলগা ঙসাই চাকখুমদা মাগী মনাক্তা লৈখিবা মাইরে অদুদা থাঙ অদুনা অফিং অফায় ওইনা চোপ লাউনা য়ান্থরকই। অদুবু ওন্থোকপনি লিক্লা লৈমনা থাঙ অমা পায়দুনা মাইরেন অদুদা য়ান্থরকপা মতম অদুদদি মানা হেক পোকচবা মচা উপনা শিৎনা চৎচবা ঙম্লক্লবা মচা অদুনা ইখঙ খঙহৌদনা মমানা পুঙগী পুঙখোলদা তান থাদুনা মমিৎ উইশিন্দুনা লৈরিঙৈ মতমদা চঙশিল্লক্তুনা মাইরে অদু কোল্লগা শান্নদুনা লৈরম্মী। মমানা অফিং অফায় ওইনা য়েংহৌদনা থাঙ অদুনা মাইরেন তম্না হায়থরকপা মতম অদুদদি থাঙ অদুনা মাইরেলদদি পান্দ্রদুনা মচাগী মকোক্তা ওইনা খায়থখ্রে। মতম অদুদা লিক্লা লৈমনা হী করিনো ঐনা তৌরিবসিদি ঐহাক্লা খায়রিবা অসিদি মাইরেল নৎত্রে মাঙঙে করম্নো হায়দুনা থাঙনা শোক্লবা মচাবু চেৎনা কোল্লগা লাউনা খোংনা কপ্লক্লে। মতম অদুদা কৌব্রু, কৌনুসু লিক্লা লৈমনা কপ্লকপা অদু তাবদা চাকখুমদা চঙলক্তুনা লিক্লা লৈমগী মনাক্তা য়ৌরক্লে। মমা মচাগী ওইরম্লিবা ফীভম অদু উবদা কৌব্রু কৌনু অনীসু পরপ পরপ চঙশিল্লক্তুনা করিনো তৌরিবা মওং অসিদি মতৌ কমদৌনা থোকখ্রিবা থৌদোক্লো হায়না কৌব্রুনা লিক্লা লৈমগী মফমদা হঙলক্লম্মী। মতম অদুদা লিক্লা লৈমনা মমাঙদা থোকখ্রিবা থৌদোক খুদিংমক অমত্তা চিংথদনা কপ্ন-কপ্না মবুংঙোগী মফমদা তমজখি। ৱারী পূম্নমক তারবদা কৌব্রুনা ইচাগী অমদি মমা মপা ওইরিবা ঐখোয়গী লাইবক্তা অসুম্না থোকউ তমখিবনা থৌদোক অসি থোকখ্রবনি। ফরে কমদৌনি হায়দুনা কৌব্রুনা অশোকপা মচাবু কোন্দুনা হিক্ল-হিক্লা কপ্লক্লে। অদুগা কৌব্রুনা অসুম্না হায়খি, অসিগুম্লবা মমা ওইবীনা মচাগী মফমদা থাঙনা য়ানবা থৌদোকসি চীংঙু কনাগী মফমদসু নমু মীওইবা কনাগী মফমদসু অমুক হন্না থোক্তনবগীদমক ঙসি হায়বা নুমিৎ অসিদগী হৌদুনা অমম অঙান খায়দুনা নুমিৎ থানা হেক পাল্লিবা মখৈদি ওয়গী লমদাঙ ওইবি নুপীশিংনা খোংদ্রুম, মাইরেন, তোর্বোত অমত্তা খায়দবা ওইরসনু। মসিনা নুপী ওইবীশিংগী য়েল হেন ওইহৌরসনু হায়খি। মরম অসি লৈখিবদগী ঙসি ফাওবদা ঐখোয়গী লৈপাক অসিদা য়েক তরেৎ শলাই মাপনগী মনুংদা পোকপী নুপী ওইবী কনা অমত্তনা খোংদ্রুম, মাইরেন অমদি তোর্বোতনচিংবা অমত্তা খায়নখিদেকো। অদুনা ঙসি ফাওবদা নুপী ওইবীশিংনা খোংদ্রুম, মাইরে, তোর্বোতনচিংবশিংবু এঞ্জাং ওইনা শেম্বা তারবসু খোংদ্রুম মাইরেল অদুবু কনাগুম্বা নুপা অমদা হান্না খায়হল্লগা মখোয়না কোন্না শেম্নরিবসি। ○